থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী (থিয়েটরগী) কুম্মৈ, ২০১৯

**মণিপুরদা** লিটরেরি ওর্গনাইজেসন, থিয়েটরগী লূপ লৈরিবসিগুম, মশীং য়াম্না লৈবা নত্তে। অদুবু, হৌজিকমক্কী ওইনদি মশা খিংনা (এক্টিভ ওইনা) লৈবসি ড্রামা-সিনেমাদগী সাহিত্যনা হেনব্রা খল্লি। মতম অমদা থিয়েটরগী ওর্গনাইজেসনশিংসু য়াম্না মশা খিংলম্মী। থিয়েটর সেন্টর, মণিপুর (টি সী এম) দা এফিলিয়েট তৌবা লূপ মশীং চাম্মা হেন্না লৈ। ঙসিদি মখোয় অয়াম্বা মুৎখিবমক নৎত্রগসু তূমদুনা লৈখিবগা পাংখক ওইরে। অয়াম্বনা অনৌবা প্রদক্সন (লীলা/ড্রামা) পুথোক্কবা ঙমখিদ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগা মরী শাগৎলকপা/লৈনবা ঙন্বা লূপ খরা নত্তনা অতৈদি মুৎখ্রে হায়না লৌবমকসু য়ারবনি। মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অনীমক মণিপুরী থিয়েটর (শুমাং লীলা নত্তবা প্রোসিনিয়র থিয়েটর) গা মরী তৎনরবই থাক্তা লৈখরে। থিয়েটর ফেষ্টিবেল পাঙথোকখিদবা কুইরক্লে। হন্দক্তা ঈ জেদ সী সীগী শেন্থং মখাদা ফেষ্টিবেল অমদি ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী নক্লবা/চান্নবা খরবু শরুক য়াহন্দুনা পাঙথোকখিবই ৱাথোক অমদি তাখি।



কুমজা ২০১৫ অদুৱাইদগী মণিপুরী সাহিত্যদা 'লিটরেরি ফেষ্টিবেল' হায়না মিংথোনবা ঈহৌ অমা য়ৌরকখি। হৌজিক্তি নিংথিজনা মকা ফল্লবা কুম্মৈ অমা ওইরক্লে। অসিগুম্বা সাহিত্যগী কুমহৈশিংগী মরক্তা 'পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুমহৈ' - অখন্নবা, মশক নাইবা কুমহৈ অমা ওইরক্লি। অইবা পদ্মকুমার'না মণিপুরী সাহিত্য'দা পীরম্বা খুদোল নৌনা মশক লেপ্পবা হোৎনবা অমদি পদ্মকুমারগী সাহিত্য নৈনবগী মথক্তা, 'পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুমহৈ' অসিগী থোইদোকপা মশক অমদি মহাক্কী সাহিত্য অসি অতোপ্পা আর্ট ফোর্ম অমগী মীহুৎথোঙদগী য়েংননবা হোৎনরকপা অসিনি। কনাগুম্বা শক্লাইবা কবি অমনা মশাগী মথম্মোয়দগী থোক্লকপা শৈরেং অমা থিরিঙৈ - মতম অমত্তদা, মফমদুমক্তদা, ঈশৈ শকপা অমনা শক্লিবা ঈশৈ নৎত্রগা লাইয়েকপা অমনা য়েক্লিবা লাই অদুদা করি ইথিল পীবগে? হায়বনচিংবগী থাক অদু য়ৌনা চঙশিনবা, অহকপা চাংয়েং অদুদি মণিপুরদা থেংনদ্রি।

পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুমহৈ - ২০১৮দগী কুমহৈ অসিগী তোপ তোপ্পা শক্লোন অমা হোংলকখি। মহাক্কী 'সন্ধ্যাগী ঈশৈ' অমদি অতোপ্পা শৈরেং খরদা য়ুম্ফম ওইবা ঈশৈ-শক্তম অমদি ৱারীমচা খরবু থিয়েটর ওর্গনাইজেসন খরনা ড্রামাগী শক্লোন ওন্থোক্তুনা শান্নবা।

অহানবা এক্সপরিমেন্ট অদুনা মায় পাকপগী মনম অমা ফেষ্টিবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি'দা পীবা ঙমখিবরা? হন্দক্কী কুমজা ২০১৯গী চেপ্টর অসিদদি পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুমহৈ অসিগী মরু ওইবা থৌরম হৌবা নুমিৎ, মার্চ ২৬, ২০১৯দা অশৈবা তরানিথোইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা 'শৈরেং শৈদিন্নবা' (কবি সম্মেলন), নীনি চনবা নুমিৎ, মার্চ ২৭কী শ্রীরতন থিয়াম'না পীখিবা 'পদ্মকুমার মেমোরিয়েল লেকচর' মণিপুরী সংস্কৃটিদা অওনবা লাকপা হায়বা হীরমসিদা ঙাঙখিবা ৱা অমদি থিয়েটর গ্রুপ ১৩ (তরাহুমদোই) না শরুক য়াবা, এপ্রিল ১দগী ২১ ফাওবগী মরক্তা পাঙথোকখিবা 'থিয়েটর ফেষ্টিবেল' অদুনা ওইখি।

ফেষ্টিবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভেনর, পদ্মকুমারগী মচা ইবুংঙো কাংজম রাধাকুমার'না হায়খি, ... 'ৱারীমচা/ৱারেং তরাহুমদোইখক খনগৎলগা ড্রামাগী মেদিয়মদা ওন্থোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তৌজরিবসি ঐগী অপোকপগী মীংদা মণিপুরী সাহিত্য অমদি কলচরদা কৎচবা শ্রদ্ধাঞ্জলিনি'...। থিয়েটর ফেষ্টিবেল অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা, লীলা তরাহুমদোইমক অমত্তা চীথদনা য়েংহৌবা, থিয়েটর লভর অমনা হায়, ...'পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুমহৈগী থিয়েটর ফেষ্টিবেল, মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী থৌমী (ওফিসর) শিংবু মমীৎ পাঙহন্নবা শীনবা থৌরম অমা ওইনা লৌরবসু য়াই, অদুবু লুরিবদি উইশিনগে খন্না থওইনা উইশিনখ্রবা মীৎস্না থম্বালনি অমুক হন্না পাঙথোরক্লরোই'...।

ফেষ্টিবেলসিদা পুথোকখিবা লীলাশিং - উত্তম কুমার নাউরেম, লিবর্টি থিয়েটর, ককচীংগী 'খোম্লেন মঙলান্দ' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); মোইরাংথেম নন্দকুমার, কোস্মোপোলিটান ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'তীর্থ চৎপা' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); চীংথাম বানিকান্ত, পান মণিপুরী থিয়েটর, অৱাং সেকমাইগী 'লান অমসুং শৈরেং' (রাধাকুমারগী ৱারীমচা); থৌনাউজম প্রেমজিৎ, কংলৈ লিভিং আর্ট, উচিৱাগী 'ৱাংম ৱাংম' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); শারুংবম বীরেন, মণিপুর থিয়েটর একাদেমি, ৱাঙ্গোয়গী 'অয়েকপা লাইনা তম্নবা' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); তোইজম শিলা, পর্সপেক্টিব রেপর্টরি থিয়েটর, নম্বোলগী 'দাক্তর' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); সোইবমচা ইন্দ্রকুমার, এলিট গ্রুপ ওফ পর্ফোমিং আর্টিষ্ট, ইম্ফালগী 'শকয়েং মিংশেল (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); গুনিন্দ্রো চবুংবম, য়ুমজাও লাইরেম্বী ড্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন'গী 'শম্লাংগী থোং লান্দুনা' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); লোইতোংবম ব্রজমোহন, রুপমহলগী 'শকখিদ্রবা ঈশৈ' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); দিপক নিংথৌজা, এন টি থিয়েটরগী 'তরামরীনি পানবই থাজ' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); ফজতোন চনু, বনিয়ান থিয়েটর রেপর্টরিগী 'জালিয়ানৱালাবাঘ' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা); লোইতোংবম দোরেন্দ্র ইম্ফাল থিয়েটরগী 'কনাসু ঐগী মিং খঙদে' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা) অমদি দাক্তর এস থানিন লৈমা, খেঞ্জোংলাংগী 'লাইরৈবাক্কী হৈকোল লৈকোল' (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা) নি। য়েংলুরগা খলহৌই - রাধাকুমার অমসুং মচিন মনাওনা অসুম্না কয়াম কুইনা তৌখিনি। মণিপুরী থিয়েটর হিংহনবদি কলাকারশিংননি, মুখৎনবা হোৎনরিবনা লৈঙাকনি।

লৌশিং পুক্কে

# ঈশিং-নুংশিং খ্বাইদগী মোৎপা মফম অমদি অহৌবা গাড়ীগী মখোলনসু ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লকপা য়াই

ঈশিং-নুংশিং খ্বাইদগী মোৎপা মফমদা লৈবা হায়বসিনা হকচাংগী অরুম্বা হেনবগা চপ মান্নবা মওংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লকপা য়াই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুরোপিয়ান হার্ট জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি অহৌবা গাড়ীগী মখোলনসু ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লকপা য়াই।

ষ্টদি রিপোর্ট অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা এক্সপার্টশিংনা মালেমদা ঈশিং-নুংশিং মোৎপগী চাং হন্থহনবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি।



হাইপরটেন্সন হায়নসু খঙনবা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওংনা অসিনা হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লক্তুনা মী শিহনবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম ওইরি। মখল অমত্তগী লায়ওং উৎথোরক্তবা মরম্না করিগুম্বা মতমদা সাইলেন্ট কিল্লর হায়নসু খঙনবা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওংনা হার্ট দিজিজ, হার্ট ফেলিয়র অমসুং ষ্ট্রোক্কী মরুওইবা মরম ওইরি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা নোর্ৱে, স্বিদেন, দেনমার্ক, জর্মনি অমদি স্পেন্দা লৈবা মীওই ৪১,০৭২ গী মেদিকেল রেকোর্দ পুম্নমক সাইন্টষ্টশিংনা কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। য়ুরোপিয়ন ষ্টদি ওফ কোহোর্টস ফোর এয়র পোল্যুসন ইফেক্টস (ঈ এস সী এ পি ঈ) কী শরুক অমা ওইনা মীওইবদা এয়র পোল্যুসন্না করি করম্বা অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা য়েংশিনখি।

ষ্টদি হৌদ্রিঙৈদা মীওইশিং অদুগী ব্লদ প্রেসর ওনবগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু তাঙ্কক কয়ারক্তা ব্লদ প্রেসর ওন্দুনা য়েংলম্মী। অহানবদা ব্লদ প্রেসর ৱাংলমদবা মীওইশিং অদু মতম শাংনা এয়র পোল্যুসনদা এক্সপোজ তৌরুবদগী বি পি ৱাংখৎলক্তুনা হীদাক চাবগী ফীভমদা লাকপনি।

কুমজা ২০০৮ দগী কুমজা ২০১১ ফাওবা সাইন্টিষ্টশিংনা পোল্যুসনগী চাং ওনবগা লোয়ননা ফিল্টর শীজিন্নদুনা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা (পার্টিক্যুলেট মেটর) গী চাং ওল্লম্মী। অমোৎপা খরদি মাইক্রোন ১০ য়ৌনা চাউবা থেংনখি। মসিগীসু মথক্তা নাইট্রোজেন ওক্সাইদকী চাং ওন্দুনা য়েংলম্মী। অঙৈং-অশা হোংলকপগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা তোঙান তোঙানবা মতমদা হায়রিবা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি। ষ্টেন্দর্দ য়ুরোপিয়ন সিষ্টেম ওফ মিজরমেন্ট শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা গাড়ী অহৌবা মখোলগী চাংসু ওল্লম্মী। পুম্নমক অদুগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা কুপ্না য়েংশিনবদা ঈশিং-নুংশিং খ্বাইদগী মোৎপা অমসুং গাড়ীগী অহৌবা মখোল খ্বাইদগী তাবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী রিস্ক খ্বাইদগী হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

ষ্টদি অদুদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা জর্মনিগী দুসেলদোর্ফতা লৈবা হেনরিক-হিন য়ুনিভর্সিটিদা ইনভাইরোনমেন্টেল ইপিদমি-ওলোজিগী প্রোফেসার ওইবা বার্বরা হোফমেননা হায়খি, মালেমগী মফম অয়াম্বা ঈশিং-নুংশিং মোৎপগী চাং নেহগৎলকপা মরম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লগনি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিদা কমেন্ট পীরদুনা লেনকেষ্টর য়ুনিভর্সিটিদা এটমোস্ফিয়ার কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসার ওইবা নিক হ্যুৱিটনা হায়খি, ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না লেপ্পা চাং অদু য়ৌনা ঈশিং-নুংশিং মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে।

নুংশিং মোৎশিল্লকপা, মরুওইনা দিজল গাড়ীদগী কামথোরকপা মৈখুদা য়াওবা অমোৎপনা মীওইবদা হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়না বৃটিশ হার্ট ফাউন্দেসন্দা এসোসিয়েট মেদিকেল দিরেক্টর ওইবা জেরিমি পিয়রসননা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মীওইবগী তূম্বা মওং মতৌ অমসুং হার্ট দিজিজগী মরক্তা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। নেদরলেন্দসতা পাঙথো-কখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মপুং ফানা তূম্লবদি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থরকই। তূম্বা ৱাৎপা নৎত্রগনা হেঞ্জিন্না তূম্বগী থৌওংনসু হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

রিছার্চরশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১৪,০০০ দা চহী ১০ চুপ্পা ষ্টদি চথরম্মী। ষ্টদি লোইশিল্লকপদা মীওই ৬০০ হার্ট দিজিজ নৎত্রগা ষ্ট্রোক মায়োক্লবা থেংনখি। মদুগী মনুংদা মীওই ১২৯ শিবা থেংনখি। অফবা চীঞ্জাক চাবগা লোয়ননা পুন্সি মহিং শেমদোক্লবদি কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক চাদা ৫৭ হন্থরকই, লোয়ননা হার্ট দিজিজ নৎত্রগা ষ্ট্রোক্কা মরম ওইরগা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৬৭ হন্থরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখি।

মীওইবনা তূম্বগী মওং মতৌনসু হার্ট দিজিজ ওইহল্লকপদা চাউনা মতেং পাংশিল্লি। নোংমদা পুং ৬ য়ৌনা তূমদবা মীওইশিং কোরোনরি হার্ট দিজিজ নৎত্রগা ষ্ট্রোক্কা মরম ওইরগা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। হেঞ্জিন্না তূম্বগা লোয়ননা নোংমদা পুং ৯ দগী হেন্না তূম্লগসু চপ মান্নবা মওংদা রিস্ক ৱাংখৎলকই।

নর্সেস হেল্‌থ ষ্টদি কৌবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নুমীৎ ৭২,০০০ দা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নোংমদা পুং ৮ য়ৌনা তূমদবা মীওইশিং কোরোনরি হার্ট দিজিজগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। নোংমদা পুং ৯ দগী হেন্না তূম্বা মীওইশিংদসু চপ মান্নবা মওংদা থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। অদুম ওইনমক হেঞ্জিনবা মওংদা তূম্লগা করি মরমগী হার্ট দিজিজ ওইহল্লক্লিবনো হায়বদু রিছার্চরশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

কুমজা ২০০৬ তা 'হাইপর-টেন্সন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওইবনা তূম্লিঙৈদা ষ্ট্রেস হোর্মোননা ইনফ্লেমেসন কন্ট্রোল তৌবা মরম্না ব্লদ প্রেসর হন্থরকই। তূম্বা ৱাৎপা মীওইশিংদি খুদোংচাবা অসি ফংদবা মরম্না মতম চুপ্পা ব্লদ প্রেসর অদুম্মক ৱাংদুনা লৈ। মালেমদা লৈরিবা লন-থুম ময়াম পুল্লপ পুনশিল্লগা শুপ্নগী মীওই অমখক্কী পুন্সি লৈবা ফংদবনিনা মীপুম খুদিংমক মানা মানা ঙন্বা থাক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

# আগরটলাদা পাওনা ব্রজবাসিগী মীতম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) ঃ খোংজোম নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা অগরতালাদা গৌরানগর খোৱাইদা পাউনা ব্রজবাসিগী মীতম অমা ঙসি মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

মণিপুর লিটরেরি কলচরেল ফোরম ত্রিপুরা অমসুং পাউনা ব্রজবাসি ফাউন্দেসন ত্রিপুরা অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট বিরনা থৌরম অদুগা পুথিবা ৱেলফ্যের সোসাইটি অগরতালাগী সেক্রেটরি দীপক, পাউনা ব্রজবাসি ফাউন্দেসন ত্রিপুরাগী কনভিনর লোংজম সোমোরেন্দ্রো, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো অমসুং উমংলাই কনবা লূপ মণিপুরগী কনভিনর মুতুম মনিতোননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, ঐখোয়গী মীতৈ ঈ ময়াম অমা সনালৈবাক মণিপুরগী ৱাংমদা মচোই মচোই তাখ্রবসু মখোয়না মাগী মাগী লৈরুরিবা মফম মফমদুদা ঐখোয়গী চৎনবীশিং ঙাক্তুনা অমদি অসিগুম্বা অথৌবশিংগী নুমীৎনচিংবা কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোকপা হায়বসি থম্মোয়দা চাউথোকচবা পোকই। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন, থৌনা অমদি লীচৎশিং অসি লৈরিমখৈদি মালেমদগী মীতৈ হায়বা ফুরুপসি মুৎখিরোই। অদুমকপু হৌজিক গ্লোবেলাইজেসনগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী অচৌবা ঈহৌ অহোংবা কয়া লাকপা অসিদা ঐখোয়গী চৎন-লোনচৎ, ফিজেৎ চাকচাদা অচৌবা চৈফু অমা পীদবদি নত্তে। মসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা মরম অমা ওইরি। ঐখোয়গী ফুরুপ অসি কন্নবগীদমক মালেমগী মফম মফম খুদিংদা লৈনখ্রবা মীতৈ খুন্নাই পুম্বা অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী মতম অদু য়ৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# চুম্মী হায়না লৌব্রা, লাল্লি হায়না লৌব্রা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস) :

লাইশ্রম নবকিশ্বর পদ্মশ্রীনা ইবা চুম্মী হায়না লৌব্রা, লাল্লি হায়না লৌব্রা হায়না মিংথোনবা লাইরিক্কী ২১ শুবা এদিসন ফোঙবগী থৌরম য়ুরেম্বমদা লৈবা এল জি রোজ গার্দেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা লাইশ্রম নবকিশ্বর পদ্মশ্রীনা হায়খি, মণিপুরী খুন্নাইসিদা চৎনরিবা লোনচৎ, অফ-ফত্তা ময়াম খন্নরগা অফবশিং লৌশিনবা, ফত্তবশিং হুন্দোকখিনবা ইবা লাইরিকনি। হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী লোনচৎ চুম্নবা পুথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বেঙ্গোলি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা লাইরিক অসিগী মীতৈ ময়েক্কী থৌদাং লৌরিবা শরতকুমার লোংজমনা ফোঙদোক-খিবদা, বেঙ্গোলি স্ক্রিপ্টতগী মীতৈ ময়েক্তা ফোঙলিবা অসি মীগী মরোল থাদোক্লগা ঐখোয়গী লোলদা শীজিন্নসি হায়বা পান্দমনি। মীতৈ ময়েক্তা ফোঙলিবা অসি বেঙ্গোলি ময়েক্তা য়াওরিবা অসিদগী খেন্নবা খরদি য়াল্লি। মীতৈ ময়েক অসিদদি ইশাগী ওইবা লোলদা শীজিন্নবা লাইরিকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লাইরিক অসিবু ফোঙলিবা এ গুনিনা হৌজিক্কী হোংলক্লিবা খুন্নাই অসিগী মরুওইনা ইনখৎলক্লিবশিংদা খরদা ওইরবসু কান্নবা পীবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোনদা লাইরিকসি ফোঙবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা তোম টি ভিগী এদিটর জিট নিঙোম্বনা হায়খি, লাইরিক অসিনা কান্নবা য়াম্না পীগনি। মীওইবগী চৎন- লোনচৎ কয়া ঙসি চাউখৎপা অহোংবদা নাথৈদুনা চৎলক্লবা মতমনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী মেনেজর এল বিহারীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এম প্রিয়োবর্তনা লাইরিক মশক তাকখি।




# মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস) :

দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমদি শিজ হেস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন সার্ভিসকা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা এংলো মণিপুর ৱারগী তোঙান তোঙানবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিং নীংশিংদুনা শিজ হোস্পিটালদা ৬৯ শুবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুগী মতাংদা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনাম সিতলনা ফোঙদোকখিবদা, এংলো মণিপুর ৱারদা লমদম অসিগী ইপা-ইপুশিংনা মরমদম নুংশিবগী ফাওখিবা ৱাখল্লোন অমদি কথোকপগী থৌনা লিংজেল অদু দেসামনা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। খোংজোম দে লাকপগা মরী লৈননা মহৈরোয় অমদি লৈবাক খুন্নাইগীদমক কথোক্লবা ঈ হায়না মিংথোনবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্পল অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসি তুংগী মীরোল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা ঐখোয়গী থৌনা ফবা ইপা-ইপুশিংবু নীংশিংহন্নবা অমদি ইপা-ইপুশিংনা লৌরম্বা থৌদাং অদু মশক খঙনবা পাঙথোকপনি।

হয়েংসু ৭০ রকশুবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কা দেসামগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা রিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোক্কনি। খোংজোম দেগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। এংলো মণিপুর ৱারদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎমিন্নসি। ইরমদমবু কন্নবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংনা খোংজোম লানফমদা থৌনা ফনা লান্থেংনখি। থৌনা ফবা ইপা-ইপুশিং অদুবু ঈকায় খুম্নব উৎপগা লোয়ননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি লেপ্তুনা পাঙথোরকপনি।

৬৯ লকশুবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প ঙসি শিজ হোস্পিটালদা পাঙথোক্লিবা অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা দেসামগী ভলন্টিয়ার কয়ানা শরুক য়ারি। ইপা-ইপুশিংগী কথোকপগী থৌনা লিংজেল অদু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। ইপা-ইপুশিং অদুগী চাদা-নাওদা ওইরিবা ঐখোয়না থৌনা ফবা ইপা-ইপুশিংগী ৱাখল্লোন অদু নীংশিংমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি শিজ হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখিবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা দেসামগী ভলন্টিয়ার ৪০ না ঈ পীখি।

অমরোমদা, খোংজোম বেট্টল মেমোরিএল কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এপ্রিল ২৫ দা খোংজোম তেঙ্গোল লম্পাক, খোংজোমদা ১২৮ শুবা এংলো মণিপুরী লান নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মরৈবা-ক্কীদমক থৱায় থাখিবা অথৌবা লান মীশিংবু নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি। কম্মিটি অসিনা নীংশিং থৌরম পাঙথোরকপা চহী ২৫ মপুং ফারক্লে। মসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। থিজিন হুমজিল্লিবা মীওইশিংনা শরুক য়াবীয়ু। খন্ন-নৈনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। ঙসি লৈঙাক্লা খোংজোম লানগী অশেংবা নুমীৎ ঙসিফাওবা নমশিন্দুনা থল্লিবসি মীয়ামদা খঙহনগনি। থৌরম অসি অয়ুক পুং ১১ দগী হৌগনি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনসু থৌরম অসিদা মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু খোংজোম বেট্টল মেমোরিএল কম্মিটিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি এন নিম্বসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি কাঞ্চিপুরদা ষ্টেট ওফিসতা খোংজোম দেগী থৌরম পাঙথো-কখ্রে। থৌরম অসিদা বি জে পি মণিপুরগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। বি জে পিগী থৌমীশিংনা পাউনা ব্রজবাসি, চিংলেনসনা, খুম্বোং মেজর, লোইতোংবা, জমাদার, কৈসা, হৈরাং খোংজা অমদি অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মরৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থেংনখিবা থৌনা ফবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৪।২০১৯ ইং,য়ুমশকৈশা, অয়ুক পুং ১১.৩২ ফাওবা শজিবু ২০নি পাল্লি, মতুং ২১নি পাল্লনি।

**মেষ:** মীনা থাগৎপিবা, নক্লবতা নত্তনা য়েক্লবনা ফাওবা ইকায়খুম্নবা লৈগনি। শেল চৎফম য়াম্বনা অমদি অঙম্বগা মরী ফবা ৱাৎপনা তৌফম খঙদবা লৈগনি পাউদি নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**বৃষ:** শেল-থুম অমদি লৌশিং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। নচাক-নরল চেকশিন্দবা তৌগনু অমদি হুরানবনা মীতাবা লৈ। নুংঙাইনা মীয়ামগা লোয়নবা ফংগনি, হকচাং নুংঙাইরে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা কান্নবা ফংহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি, লোয়নবা মীগী মতেংনা থবক পাংবা, মীয়াম্না থোইনা চানবীবা অমদি অফবা ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী থবক্তা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা, পাঙ্গল ফুদোকপা য়াগদবা অমদি অরুবা থবক পাংগদবা নুমিৎনি। অরং-অরাক মাঙবা য়াবদি লোয়নৈ অদুনা পোরম য়াৎপা হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- চোপ্পা য়াবদগী চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ:** য়েক্লবনা লৌশিং হেনবা অমদি উপাই লৈবা হেনবা নুমিৎনি। অদুনা লৌশিং চাউবগী পাউতাক য়াওদনা অরুবা থৌ পাংগনু। অরাপ্পা মফমদগী কান্নবদি শোইদনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/ফৌ।

**কন্যা:** নোল্লুক্লা চৎপা, নতোমতনা খুদক্কী ৱারেপ লৌদবা অমদি মীয়ামগী ৱাবু লুম্না লৌবনা অয়াম্বা লমদা মাই পাক্কদবা নুমিৎনি। হুরানবনা থবক মাঙনবা শিল্লক্কনি-মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**তুলা:** কিরম্বা থবক লায়না পাংগনি, ৱাখল থোক্লা থৌ পাংবা অমদি নথক থোংবগী মতেং ফংবা লৈগনি। নাপল অমদি মফম চাদনা থৌনা ফুদোক্লদি য়েক্লবা হেনগনি কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- খোইরাংবা ফাথৌ-য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক :** অশাওবনা অফ-ফত্তা খঙদবা অমদি নক্লরম্বা মীনা নরল মাঙনবা শিনবা অমদি য়েক্লবনা মরুপ-মপাং কাইনহনবা য়াবসু লৈ। পাঙ্গল ফুদোক্লা খুৎচাউ থাবা য়ারোই-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**ধনু:** য়েক্লবা ঙমগনি অমদি লল্লোন ঈতিক্তা চাউনা মাই পাক্কনি। তিন্নরম্বা মরুপশিংনা মাঙ তানবা হোৎনরকপা অমদি লৌশিং ৱাৎপনা মাঙজবা লৈতনবা নাইতোম চৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর:** থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি অমদি ননাই চাওখৎকনি। খন্থহৌদ্রদি মরুপকা মরী ফবা ৱাৎকনি অমদি হোয়া ফরদি মাঙবনা হেনগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্ব :** শেল-থুমগী থবক্তা চাউনা মাই পাক্কনি, অনৌবা থবক পাংবা য়াবা অমদি শোইদনা মাই পাক্কদবা নুমিৎনি। অফা-অপুন কোকচগনি অমদি থিজিনবগী কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই অদুবু নীংবা মপা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন:** অনীংবা থবক পাংলনি, মীকোক থোংগনি অমদি লৌশিং চাউবনা নথক থোংববু খুদুম চনগনি। মরুপ খনবা হৈত্রবা অমদি ৱাঙাং হৈত্রবদি চোপ্পদি শোইদ্রে। মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী-অচুম্বনা মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।